## এডিটোরিয়েল

### হীংশাগী থৌদোক লাকশিন্নবা হোৎনবা

লমদম অসিদা হীংশাগী থৌদোক–ৱাথোক কয়া তোয়না থোক্কুনা অশোক–অপন, মীশি–মীনা কয়াগী পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা খোল্লাউ কয়া তারক্লিবা অসি ফনা কুইরে। অদুবু ঙসিফাউবা হীংশাগী থৌদোকশিং লাকশিন্নবা হোৎনরি অমদি চেন্নবশিং লেন্না খক থারোই হায়বা নত্তনা চপ চাবা থবক অমত্তা মীয়ান্না উবা ফংদ্রি হায়বা য়াই। চহি খরগী মমাংদা ওইরম্বা ফীভম অদুদগী হৌজিক্লা খরা মখৈদি শাফরে অমদি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম হান্নদগী ফগৎলে হায়নদি ক্লেম তৌরবসু হীংশাগী থৌদোক ৱাথোক্তি অদুমক থোক্লি। তোঙান তোঙানবা মখলগী থৌদোক–ৱাথোকশিংগী মনূংদা মীয়াম মরক্তা নৎত্রগা য়ূমলক্তা বোন্নচিংবা থমজিনবা অমদি পোখাইহনবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লি অমসুং হৌজিকসু অদুমক ফোঙদোক্লরি। তৌগুম্বসুং মীয়ামগী পেন্দবা, য়ানিংদবগী খোল্লাউ অদু সরকার অমদি মরীলৈনবশিংনা তারিব্রা নৎত্রগা তাদ্রিবা হায়বদুদি ৱাহং ওইনা অদুমক লৈরি।

চৎলিবা চহি অসিগী ওইনা তোঙান–তোঙানবা থৌদোক–ৱাথোক কয়া থোকখিবগী মনূংদা তোঙান–তোঙানবা মফমদা শক্তি লৈবা বোম কয়া পোখাইহন্দুনা মীপাইবা পোকহনবতা নত্তনা মীশি–মীনা কয়া থোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনূং চনবা মফম ৪ দা বোম পোখাইহন্দুনা অশোক –অপন কয়া থোকহনখ্রে। হৌখিবা য়ুমসকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্তা ইম্ফাল সহর ময়োলদগী পঙলাপ লাপ্তবা কোইরেঙ্গেদা লৈবা বি এস এফ সেক্তর হেদ ক্বাটরগী গেট মনাক দুকান অমগী মমাংদা শক্তি লৈবা বোম পোখাইহন্দুনা বি এস এফ কী জৱান অনী শীখিবগা লোয়ননা দুকান মপু য়াউনা মীওই ৩ অশোক –অপন নংখি। মমাংদসু দি এম কলেজ মমাং অনীশুবা এম আর চংফম মনাক্তা লৈবা আই জি এ আর (সাউঠ) পীআরও ওফিস কমপ্লেক্স মনাক্তা বোম পোখায়হন্দুনা এ আর পারর্সনেল অমা শোকখিবা, চহি অসি জনুৱারি ১৫ দা রাজ ভবন ইম্ফালগী মনাক এম সেক্তর মমাং অমদি ফেবুৱারি ৫ দা ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দ ময়াদা বোম পোখাইহনবগী থৌদোক মথং–মথং থোকখ্রে। থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা সরকারনা চপ চানা থিদোক্তুনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না লাউথোকখি। লোয়ননা স্পিসিয়েল ইনভিষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) ফাউবা শেমদুনা থিগৎহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু কদাই ফাউবা থিজন –হুমজিনবগী থবক্তা খূমাং চাউশিলবগে হায়বা অদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংদা হীংশাগী থৌদোক কয়া থোক্লি, মীশী –মীনা অশোক –অপনকয়া থোকখিবগী পাউ মেদিয়াগী খূথাংদা খংবা অমসুং তাবা লৈখ্রে। অদুনা হীংশাগী থৌদোক–ৱাথোকশিং অসি করিগুম্বা মওং অমা–নৎত্রগা অমদা হেক্তা থোকপা য়াই অমদি থোক্লি হায়বসিদি ঈ–পাউদগী অদুমক খংনরি। অসিগুম্বা থৌদোক –ৱাথোকশিং অসি লাকশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবদি নংতে। অদুবু ষ্টেট সরকারনা তঙাই ফদনা তৌফম থোকপশিং অদুদি তৌবা তাবনি। ষ্টেট অসিগী ওইনসু হোমসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বীরেন সিংহনা বোম পোখাইহন্দুনা অশী –অনা থোকহনখিবা অদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি, চেন্নবশিং লেন্ন থারোই, সরকার লৈরি হায়বা খঙহনগনি, মশক মমীংদি পন্দনা মখোয়না পাল্লিবসি করিনো বোম পোখাইহন্দুনা মী হাৎলগা অদুমক য়েংদুনা লৈয়ু হায়বা অদুদি শুংয়া য়াবা ঙমলোই হায়বনচিংবা কয়াসু মেদিয়াদা ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদা থৌদোকশিং অদু করিদগী করন্না থোকখিবনো, সেক্যুরিটিগী থবক্তা অশোয়বা অমদি অহোবা থম্বা লৈব্রা হায়বনাচিংবা অসিসু য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈগনি। মীৎয়েং অসিদা মমাংগী থৌদোক খরগী মতাংদা এস আই টি শেমদুনা থিজনবগী থবক চখ্থহনবা ওইগনি। অদুবু মতম কয়া কুইনা লৌখিগদগে হায়বদুদি থবক অদু তৌরিবা কাংবুনা খংফম থোকই। হৌজিক ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়া নত্তনা মণিপুর ষ্টেট শিনবা থুংনা অফস্পাগী মখাদা দিষ্ট্রৰ্ব এরিয়া ষ্টেটস লৈরি। হায়রিবা এক্ট অসি লৌথোকপদা নত্তনা মুথৎনবা দাবী কয়া অমসু তৌরি। এক্ট অসিগী মরুমদা শাশিন্নবনি হায়বা খূৎথোক্লবগী থৌদোক কয়াগী মতাংদা খ্বাইদগী ৱাংবা সুপ্রিম কোর্টতা কেস কয়া হৌজিক– হৌজিক চখ্থরি অমদি থিজিল্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মখল অমা নৎত্রগা অমগী হীংশাগী থৌদোক কয়া থোরক্লিবা অসি লাকসিনবা অমদি চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদো থবক্তা ওন্থোক্তুনা মীচম মীয়ামদা অকী–অখঙ পোকহল্লিবসি কোক্লবা হোৎনগদবনি অমদি ঐখোয়নসু পাংবা য়াবা মতেঙ পাংসিন্দুনা ইং–তপ্পা লমদম অমা ওইহনসি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### নিংঙাইসিবু অচুম্বা ওলহনগদৌরিব্রা

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

অঙাং নিংঙাই চাওবসি অহল খরা তপচবা থেংনরুরগা ঙামোক য়াম্না চাই অহাওবা মরাং কাইনা ফংই। মথোং চাদবা অফিংবা অহল থেংনরগনা খুবাক ওইনা চারগা চৈফম তারগা তোকই। ফনা কুইরে অঙাং নিংঙাই ওইরগসু ঙসিগী অৱাইবা মপাগুম্না লোন্নবী মপাগুম তৌরিবা নিংঙাইসি মরৌ লৈরি। মপা তুরোনবা ওইবনা মচানা লাল্লবসু লোন্নবী মমানা করি হায়রক্কদগে খন্দুনা লাল্লবসু থেমদুনা লৈরিবগুমই। ঙসি মখোয়বু চাওহনলকখিবদগী ঙসিদি হুইনাও লুনা তৌরুরগা লৈ লেকপদু য়ৌরে। হেনমল্লবনি ঙসি তৌরিবা মতৌসি সরকারসু মরিন য়াওদবা ঙাক্তা ফম তাখিগনি খল্লিঙৈ নতু লৈমা কাং কোক য়ৌরে। য়াদে হায়বা খঙহন্বদা চপ চারে, তানফমসি য়ৌরবদি আয়ো নাই হায়দুনা পংকপ্তা কপ্পগা কদাইদা নাই হংলগসু অনাবা মশানা অনাবা মফম খংদ্রবদি অনাবদু সাইকিয়াত্রিক্কী দোক্তরদা য়েংহনবা তাবনি।

নাও চাওরিবা মীয়ান মীতোপশিংনা লৌ মপু য়োংনা তানবা হায়বদুনি ঙসি সরকারনা নিপা থোকপা ঙমদনা নুপী ৱাখল তৌবদগী ওইরিবসি। লমদমসিদা শাইদাংলরবশিংনা তৌরিবশিং অসিদা ঙসি ফাওবা মন্ত্রি চৌক্রি তুগনি হায়দুনা নাথৈদুনতা লাকখিবগী ফলনি। মতম লৈরিঙৈ মরোল থোক্তবশিংদি মরোল থোক্লবা উরৈলোম্বা মশানা ফুধরগা মরোল থোকই হায়বা চাংয়েংদুমক পাংথোকপিরো। মসি তশেংনা তমগী মীতৈ হায়বা কাংলুপনবু ওইরম্লবদি সরকারসু, সেক্যুরিটিসু মথৌনাদগী লৌশিংদগী শক্তিদগী লোইনমক উৎপা ঙমদুনা মঙাল অমা উগদবনি। চীংগী ফি মচুনা ফনা লমহেল্লগসু চীংলাই কিবা ঙাক্ত ওইবনা সরকারসু সেক্যুরিটিসু খুৎ তুংবুন্নরগা হেক্তা লৈথোকখিবসিনি। মীতৈ কাংলুপ্নকা ওইরম্লবদি আর্মি, পেরামিলিটরি বাট্টালিয়ান কয়া কয়া পৈশিন্দুনা থবক ফজ–ফজনা তৌদুনা নহারোল কয়া চৈফম নাইগদবনি। চেক্ত– চেকশিল্লগা মাগী হৌনবী তৌরকঅদৌনি হায়বদুমক হেক তৌইদা। অঙাং নিংঙাই খুৎথেমসিদি তুরোনবা মপাগী শাজৎ মানশিল্লক্লে। মণিপুর সরকার লুচিংবশিংসি নুপা তু রোনবগী চেল্লকপা মচাশিংদা ৱা কন্না ঙাংবা ঙমদবদু হেক থোকইদা।

অদোমগী
অঙোম রাজু
ইম্ফাল

## মমীত্তা মচা উবা ফংদবগী মরক্ত ওইবা ৱাফম খরা

*ডাঃ জাতিশ্বর সিংহ*

সমাজনা য়ারবা মওংদা, য়ুম পাল্লবা নুপা–নুপী খুদিংমক্কি, খ্বাইদগী ৱাংনা থন্নরীবা, পুন্সিগী আশাশীংগী মনুংদা থোইদোক্লবা আশাদি মমীৎতা মচা অমত্তং ওইরবসু উজবা হায়বসিনি। ঙসিগি ঐখোয়গী পৃথিবী অসিদা, মীশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা, নোংম– নোংমগি খুমাঙ চাওশিন্না থেংনখৎলক্লীবা– চানবা চিঞ্জাক ৱাৎলকপগী, লৈনবা য়ুম–কৈ অমদি শেৎন–ইন্নবা ফিরোল তাংশিল্লকপগী সমস্যাশিংবু খরদং ওইরবসু কোকহন্নবগীদমক্তা সরকারগী মাইকৈদগী অরৈবা–অফংবা উপাই কয়া শিজিন্নদুনা সমুদ্রগী ঈথক্কুন্না হৌগৎলক্লিবা মীশিং হেনগৎলকপগী ঈহৌবু নমথনবা হোৎনরিবনি। মসিগীসু মথক্তা য়ুম পানমীন্নরবা নুপা–নুপী (মতৈ–মনাও) কয়া কয়ানসু অঙাং (মচা) য়ান্না পোক্তনবা, অনৌবা য়ুগকী চাওখৎলক্লিবা বিজ্ঞানগী মতেং কয়া লৌনরিবনী। অদুন্নমক, অমরোমদা মমীৎতা মচা হায়বদু উজবা ফংজদবদগী নিংবা কায়বগী মৈচাক্তা থমোয় শোক্লা তেংথানরীবা নুপী–নুপা কয়া– কয়া অমসু লৈনরী। মসিমক ঐখোয় মীওইবা পুন্সিগী অঙকপা ৱাফম অমনি। অঙকপা থৌদৌ অসিমক ঐখোয় অয়াম্বনা চাওখৎলবা বিজ্ঞানগী মতেং লৌদুনা করি– করন্ননো, করন্না কোক্কনি হায়বা ৱাফম্লোমদা চংশিন্নবগী মহুত্তা, ঈশ্বর মহাক্কী মফমদা পেঞ্জদবা ফোংদোক্লরগা হেক – হেক, নিংবা কায়না পুন্সি লেন্নবগুম তৌনৈ।

য়ুম পাল্লবা নুপী – নুপাশিংগী মফমদা তশেংনমক থমোয় শোক্লিঙাই ওইরিবা, “অঙাং পোক্তবা” হায়বা অসি করি করন্ননো হায়বদু শন্নপ্না/চাওরাক্লা মখল/ফিভম অহুম থোক্লা খায়দোক্তুনা, ঐখোয়না নৈনবা য়াই। মদুদি–

**মপোক্কী ওইনা শোয়রকপাঃ**

মীওই খরদি মপুন্সিদা অঙাং পোকপা ঙম্লরোয়দবা মওংদা পোক্লকই। অদুন্নমক, অদুগুম্বা মীওইশীং অসিসু হৌজিক্কি মতমদদি তশেংনা নিংবা কায়নিঙাই ওইদে। করি মরমদগী অঙাং পোকপগী শক্তি/গুণ য়াওদ্রিবনো হায়বগী মরমদু অখঙ–অহৈ (ডাক্তর) শীংগা তানদুনা খঙদোক্লগা, লায়েংদুনা অশোয়বশিং অয়াম্ববু চুমথোকপা য়াই। অসিগুম্বা, মপোকঙৈগী ওইনা অঙাং পোকপা ঙম্লোয়দবগী মওংদা লাক্লবা মীওইশীংদা ওইগল্লিবা মওং অসি, নুপীগী ওইনা–

(অ) মমা পুক্লুংগী ওইনা অঙাংখাও অমদি অঙাং লম্বীনচিংবা য়াওরক্তবা (Congenital Malformation); (আ) অঙাং মরু হুন্দবা/পোকখাইদবা (Anovulation); (ই) ট্যুব ফুনবা (Tubal factor), অঙাং লম্বী মনুংদা ফুনবা (ঈ) অনাবা মখল Endometriosis (অঙাং খাও য়োম্লিবা কুয়োমগা মান্ননা/মান্নবগুম, য়াংলেন শরু অমদি নিংজোল শরু অনিগী তাইনফমশিংদা লৈবগী লায়না), T.B., অমদি অতৈ Endocrine Diseases (তোংশাশিংনা শুংলিবা/শুংদোক্লিবা মওংশিংদা অশোয়বা) নচিংবা লৈরবা, (উ) পন্নদবা (Immunological in compatibility); (ঊ) অঙাং মরু শিগনবা (ঋ) মপানগী অঙাং লম্বীগী লায়নাশিং; (৯) হিদাকলাংথক য়ান্না চামনবদগী নত্ত্রগা অতৈ খঙবা ঙম্নদ্রিবা মরম কয়া, অসিনচিংবা।

নুপাশিংগী ওইনাঃ

(ক) নুপীগীদৌনা পোক্লকপদগী শোয়রকপা (Congenital Anomalies);

(খ) অঙাং ওইনবগী মরু (Sperm) য়াওদবা/মশিং ৱাৎপা (Azoospermia/Oligospermia);

(গ) অঙাং মরুগী লম্বী ফুনবা (Obstruction);

(ঘ) মখল কয়াগি অনাবা– Hypothyroidism, Severe Diabetcs, S.T.D., Huge Hydrocile, Orchitis নচিংবা লৈবদগী।

(ঙ) Immunologic Sperm হায়বদি থোক্লক্লিবা অঙাং মরুগি শেলশিংবু চাইথোকপা য়াদনা পুল্লপ তাশিন্দুনা লৈরবা (Autoagglutinating antibody);

(চ) ওপরেশন্নচিংবা তৌখিবদা ঈ নৎত্রগা ঈদগী শেম্বা হিদাক লাংথক শিজিন্নখীবা (Hydrocele repair) নচিংবা

(ছ) ফম্বি কংবা,

(ঝ) অঙাং মরু শোয়বা (Defective Sperm) অসিনচিংবা কয়া অসিনা, নুপানা অঙাং পোকহনবা ঙমদবগী মরমশিংনি।

অঙাং পোক্তবগী মীশিং অসি হোস্পিটালগী রেকোর্ডশিংগী মতুং ইন্না য়েংলগদি, অঙাং পোকপগা মরী লৈননা লাক্লীবা মীওই চামগী মনুংদা, চাংচত্তা মীওই ১০ দগী ১২ ফাওবদি অঙাং পোক্তবগীনী। অদুগা, মীয়াম পূম্বগি ওইনা য়েংলগদি চাংচত্তা, চাদা মীওই ২.৫ দগী ৩ ফাওবা অঙাং পোক্তবগী অৱাবা খাংনৈ। হায়রিবা, অঙাং পোক্তবা মীওইশীং অসিগী মনুংদা অমুক্কা, চাদা ১০ দগী ১৫ ফাওবগী মীওইশিংগীদী, করিগুম্বা অমত্তা খঙদ–উদবা মরমশিংনা অঙাং পোকপা ঙমদবা হায়বদু ওইরগা অতৈগীদি শেমদোকপা য়াবা নৎত্রগা য়ারোইদৌবা, খঙ–উরবা মরমশিংনা অঙাং পোক্তবগী মরম ওই।

মপুং মরৈ ফারবা মীওইশীংনা হেক লুহোংলবা মতুং চহি ১ দগী ১.৫ ফাওবদা মীরোন্নদুনা, চাদা ৯০–৯৫ গি চাংদা অঙাং পোক্লকল্লী। মরম অদুনা করিগুম্বা, লুহোংলবা মতুং চহি ২ ফাওবদা মীরোন্দ্রবদী/অঙাং পোক্ত্রবদী, মদু করি মরমদগীনো হায়বা খঙদোক্লগা অয়াবা লায়েং চৎথবীনবা, পন্থবীদনা অখঙ অহৈ ডাক্তরশীংগা তানবিহৌগদবনী।

অনিশুবা মখলগী অঙাং লৈতবগী মরন্না, মথক্তা পঞ্জখ্রিবশিং অসি ইনৎ–নত্তবদা, অঙাংদী মীরোল্লগা কুম–থা শুনা মীরোনবা ঙমদবদগী, কুম–থা শুনা মশা ফরবা অঙাং পোকপা ঙমদবনসু, অঙাং লৈতবগী মরম ওইবা য়াই। হায়বদি ইখঙ – খঙহৌদনা লাইয়ে চৎখীবা নৎত্রগা অশিবা অঙাং ওইনা পোকপগুম্বা। ফিভম অসি ওইরকপগী মরম য়ান্না লৈ। ময়ামদুগী মনুংদগি মরু ওইনা–

(1) Chromosomal abnormality (জিব ওইহল্লক্লবা, ফম্বিদা য়াওরিবা মচাক্তা অশোয়বা); (2) শেমদোকপা য়াদনা মপোকঙৈদগী শোয়রক্লবা ফিভমশিং (Gross Congenital malformation); (3) Hydropic degeneration of villi; (অঙাং মরু হুনফমগী শরুকশিংদা শোয়বা) (4) ঈ চেনবা থিংবগী অঙাং শিবা, (5) নাওফম চোম্থনা লৈবদগী ঈ হাথদুনা অঙাং শিবা, (6) মীরোল্লিবীদা মহিক চংদুনা নাবা (7) কা হেন্না চাকমৌবা অমদি ৱাম্থবা, (8) Endocrine Factors (তোংশানা মথৌ তৌবদা শোয়বা), (9) হাকথেংননা য়ৈশিন–থেংজিল্লুবা, (10) ৱাখলগী লায়না লৈবা, (11) হু চেনবা পোংশকশিংনা ওইহল্লকপা, (12) ঈ চানদবা (RH-Incompatibility), মতম চাদনা ঈশিংখাও কায়বা, (14) তিনচং–কাইচংবা ফম্বি (নুপাগী) ওইবা অমদি মরম খঙদনা পুক্লুংদা শিবা অসিনচিংবনী।

অহুমশুবা মখলগী অঙাং লৈতবনা, থা শুনা নৎত্রগা শুন্দনা, ফিভম কায়দনা, হিংনা অঙাং পোক্লবসু মৈনিং কুম্লৈঙৈদা অমদি মতুংদা অঙাং শিখীদুনা লৈতবা অসিনি। মসিগী মরমসু য়ান্না লৈ। অদুবু মরু ওইনা – (অ) মহিক মনাই চংদুনা নাবদগী, (আ) খোং হামথরকপা (Neonatal Diarrhoea); (ই) নাপু মচু কাদুনা নারকপা (Jaundice) (ঈ) থবোম্বিগী লায়না (Pneumonia) চেল্লকপা (উ) ইখঙখঙদনা হেক্তা শিবা (Sudden Infant death Syndrome); (উ) খঙহৌদনা শ্বর ফুনবা (Resriratoray Distress Syndrome) অসিনচিংবা মখলশিং পনবা য়াই।

**অঙাং মীরোনবাঃ**

শন্না হায়রবদা মহৌশাগী ফিভম কায়দবা, মপুং–মরৈ ফারবা নুপা–নুপী অনী হকতিন্নরবদি মতাং – মতমগী মতুং ইন্না মীরোন্দুনা কুম–থা শুরগা অঙাং পোকই। অদুবু কনা–কনাগুম্বা মীওই খরদদি, মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মরম ময়াম অসিগী, মনুংদগী অমা নৎত্রগা অমনা মরম ওইদুনা, লুহোংদুনা মতম কুইনা লৈমীন্নরক্লগসু মীরোন্দে/অঙাং পোক্তে নৎত্রগা পোক্লবসু শিখীদুনা অঙাং লৈজদবা হায়বদু ওই। মরম অদুনা, য়ুম পানমীন্নদুনা মমীৎতা মচা উজনিংবগী অশা থন্নরীবা নুপী–নুপা খুদিংমক্কা, করিগুম্বদা চহি ২ গি মনুংদা মীরোল্লক্ত্রবদি নত্ত্রগা মীরোল্লগসু লাইয়ে চৎখ্রবদি, খুদক্তা অখঙ অহৈ তানবীদুনা, অঙাং পোক্ত্রিবগী অশেংবা মরমদু খঙদোকপীদুনা মদুবু চুমথোকপীনবা হোৎনবিগদবনী। ডাক্তরশীংনসু, মরমশিং অসিগীদমক্তা লাক্লীবা মীওইশীংবু য়ান্না কুপ্পা য়েংথোকপীরগা, অশেংবা মরমদু শুগাইনা তাকপিগদবনী। লোয়ননা পাইখৎপীবা য়াবা লায়েং খুদিংমক নীয়ম চুন্না চৎথবিগদবনী। করিগুম্বদা, য়েংবিরীবা ডাক্তর মশামক্লা হিরম/মরমশিং অদুবু মুন্না খঙদোকপা ঙমদ্রগদি, হেন্না খঙগনী হায়না খনবীবা, হেন্না হৈরবা মীওইশিংগী মফমদা থাবিগদবনী। তঙাইফদ্রবদি, হেন্না খুদোং চাবা ফংলুগদবা মফমদা চৎলুনবসু পাওতাকপিগদবনী।

কনাগুমবী নুপী খরদি, পোকপদগী হকচাং থোঙ পাল্লক্তবা, অঙাং খাও য়াওরক্তবা নৎত্রগা য়াওরক্লবসু অশোয়বা মওংদা লৈবনচিংবা য়াওই। মখোয়দী মহৌশাগী থাগী লাক্কদবা খোংচৎ ফাওবা লৈগন্দে। অদুবু হৌজিক্কি মতমদদি, অসিগুম্বী নুপী ফাওবদা মতম চানবু লায়েংবিহৌরবদী, থাগি খোংচৎ লৈরকপতা নত্তনা মীরোন্দুনা অঙাং পোক্লরে।

নুপী খরদনা, মহৌশাগী ফিভম অমত্তা কায়জদ্রগসু, চাং নাইনা থাগী খোংচৎ লৈদুনসু অঙাং মরু হুন্দবনা (থোক্লকত্তবা) মরম ওইদুনা মীরোন্দে। মসিদদি, অখঙ অহৈশীংনা, অরৈবা পাম্বৈ শিজিন্নদুনা চাংয়েং কয়া তৌবীদুনা অঙাং মরু থোক্লকই থোরক্তে হায়বা খঙদোকপীগদবনী। নুপী মশাগী অহৈং–অশা, হকচাং থোঙ মনুংগি মহি (Cervical sexretion) অঙাংখাও মনুংগী ফিগা থারিবা কুয়োম (Endanterial tissue) নচিংবা কয়াবু কুপ্পা য়েংলগা, অঙাং মরু হুনবগী ফিভম মুন্না খঙদোক্কদবনী।

নুপীগী অঙাং মরুগী লম্বী ফুল্লবসু মীরোনবা ঙমদে। মসিসু – “Hysterosalpingogram” গী মতেংনা খঙদোকপিগদবনী। মসি পূন্নমক কুপ্পা য়েংবদা করিগুম্বা অশোয়বা অমত্তা লৈরমদ্রগসু, অতৈ অতোপ্পা অশোয়বা – Cervical Hostility (Post Coital Sperm Analysis) বুসু য়ান্না কুপ্পা য়েংথোক্কদবনী। অতোপ্পা অনা অয়েক লৈরগসু লায়েংথোকপীগদবনী। অদুবু মীরোনবা হায়বসি, নুপী মথন্তনদি ওইথোক্তবনিনা মরী লৈনবা নুপাদুগী মশাসু কুপ্পা য়েংথোকপতা নত্তনা, য়ুম পান্দিঙৈগী অমদি মতুংগী অরোন–অথুপ ৱারী কয়া কুপ্পা শাবিরগা, হকচাংগী লৈরম্বা অশোয়বা কয়াবু চুমথোকপিনবা হোৎনবিগদবনী। করিগুম্বদা নুপানা ফম্বি কংবা (Impotency) দগী ফমদিন্নবা মপুং ফাদবা নৎত্রগা য়াদবদগীসু নুপীনা মীরোনবা ঙমদে। পূন্নমক অসি নুপাশীংনা পুকচেল শেংনা অখঙ–অহৈ ডাক্তরদা হায়দোকপীদুনা, মতিক চাবা লায়েং লৌবিদবনী। মদুদতা অঙাং পোক্তবগী অশোয়বা কয়া শেমদোকপা ঙমগনি। কাউবিরোইদবদী, অঙাং পোক্লবগীদমক্তা মীরোনবা হায়বসিদা নুপা–নুপী অনীমক্কি চপ–মান্নবা থৌদাং লৈ হায়বসিনি।

য়ুম পানমিন্নরীবা নুপা–নুপীশীংনা খঙবীগদবা ৱাফম অমনা – থা অমগী মনুংদা, শুপ্পগী নুমিৎ ৪–৫ নিতমক মীরোনবগী খুদোংচাবা ফংই হায়বসিনি। থা চুপ্পা মীরোন্নবগী তাঞ্জা লৈতে। খুদম ওইনা – থাগি খোংচৎ কায়দনা, নুমিৎ ২৮ নি খুদিংগী চাকখুম থোকপীশিংগীদী, খোংচৎ লাকপা নুমিত্তগী, নুমিৎ ১২ শুবদগীনা ১৬ নি শুবা ফাওবগী মনুংদা হকতিন্নরবতদা মীরোনবগী খুদোংচাবা লৈগনি। নুমিৎশিং অসি নত্তবদদি মশাদা অকায়বা অমত্তা লৈত্রবসু মীরোনবগী খুদোংচাবা লৈতে। (ৱাফম অসিদি অঙাং পামদবা কাংবুনা খঙজিনবীবদসু কান্নগনি)।

য়ুম্বানমিন্নরীবা নুপী–নুপা খুদিংমক্কা, য়ুম্বানলোনবু মুন্না খঙবিগদবনী। করিগুম্বদা, সমাজগী অমদি ইমুং মনুংগী ফিভম কয়াদগীসু মীরোনবা ঙমদবা য়াওই। মরম অদুনা অখঙ–অহৈ ডাক্তরশীংনা, ইচম চন্না, চৎনবী মওংদা (Routine) মীরোন্দবিশীংবু য়েংবিরবদি, মখোয়গী নিংজববু থুংহনবদা ৱানা থোক্কনি। মীরোন্দবী খুদিংমক্কি তোঙান–তোঙানবা, মশাগী ওইবা খেন্নবা সমস্যা কয়া লৈগনি, মদুশিং দুবু চপ চানা খঙদোকপীরগা, মথৌ তাবা লায়েং চৎথবীনবা ডাক্তরশীংনা তঙাইফদনা হোৎনবিগদবনী।

**করন্না অঙাং লৈহনগনিঃ**

অঙাং য়াওদবা ইমুংগী (নুপা –নুপীগী) অৱাবা কয়া খন্নবা তারবদি, নুপাদগী নুপীগী শরুক্লা হেন্না লুই। অঙাং পোক্লবা মীরোনবা হায়বসিদা, নুপা অমগীদি, মতিক চাবা অঙাং মরু পিববু ঙন্নবদি মহাক্কি থৌদাং লোইরবগুম্বনি। অদুবু নুপীগীদী, তিনচং কায়চংদবা শারেপ ফারবা অঙাং মরু পিবতা নত্তনা অঙাংগী লৈফম, মচিঞ্জাক অমদি অতৈ ওইরকপা য়াবা অনা অয়েক, অশোয় অঙাম পূন্নমক্কি ভার পুবসু মহাক্কীদী হিক্তোকপা য়াদ্রবা মথৌদাংনি।

মীরোনবদা অশোয়বা নত্ত্রগা অৱাৎপা লৈরবী নুপীশিং গীদমক্তা অখঙ–অহৈ ডাক্তরশীংনা য়ান্না নিংথিনা অঙাংখাও শেংদোকপা (D & C), Endometrial Biopsy, (অঙাং খাও মনুংগী কুয়োমগী মচেৎ ফক্তুনা চাংয়েং তৌবা) লৌবা, Tubal Potency (নুপীগী ফম্বী মরীগি শক্তি) য়েংবা, Hysterosalpingogram তৌবা, অমদি অঙাং মরু থোক্ত্রবদি থোকহন্নবা হিদাক লাংথক পিজবনচিংবা কয়াগা লোয়ননা অতৈ অশোয়বা কয়াবুসু চুমথোকপিদুনা মশা – মউ ফহন্নবসু হোৎনবিগদবনী। নুপাশিংগীদমক্তনা অঙাং মরু (Sperms) য়েংথোক্লগা মশা লায়েংবাঅমদি অতৈ অতোপ্পা লায়নাশিংবুসু কোকহন্নবা হোৎনবিগদবনী। করিগুম্বা, নুপা অদুদা তশেংনা অঙাং মরু লৈত্রে হায়বা খঙলগদি, কনাগুম্বা Donor অমগী অঙাং মরু খুৎশেমগী পাম্বৈনা নুপীবু মীরোলহনবগী মরমদসু শুগাইনা তাকপিগদবনী। নুপীদুগী অঙাং লম্বী ফুল্লম্বা তারবসু ওপরেসন তৌদুনা শেম্বিগদবনী। করিগুম্বা খুৎশেমগী পাম্বৈ শিজিন্নদুনা মীরোলহন্নবা (Artificial Insimination) হোৎনবদা মাই পাক্ত্রবসু, হৌজিক্তি, নুপী–নুপা অনীগী অঙাং মরুবু মপান্দা জিব চংহল্লগা অঙাংখাওদা হাপচিন্দুনা নাওপুহনবা য়ারে। মসিবু ঐখোয়না “Test tube Baby” হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা মখলগী উপাই কয়া শীজিন্নদুনা, অঙাং লৈতবগী অৱাবা কয়া খাংলীবা ইমুং কয়াগী অৱাবা কোকহনবা য়াই। মসিগুম্বা পাম্বৈশিং অসিগী মতেংনা, ঙসিফাওবদা ঐখোয়গী মণিপুর অসিমক্তদসু, মমীৎতা মচা উজরমদবা কয়া মচা উনখ্রবনী।

মীরোনবদী মীরোল্লগা য়ান্না তোইনা লাইয়ে চৎপা অমদি পুক্লুংদা অঙাং শিবা কাংবুগীসু, য়ান্না কুপ্পা পারী–পুরীগী মরী–মখোং ফাওবা থিজিন্দুনা নৈনরগা (Genetic Study) মথক্তা পঞ্জখ্রিবা পাম্বৈ কয়ামুক অসি শিজিন্নদুনা, নিংবা কায়নবা কয়াদগী কোকহনবীনবা অখঙ – অহৈ ডাক্তরশীংনা হোৎনবিগদবনী।

অরোইবদা, মীরোন্দুনা অঙাংদি পোক্লগা, করিগুম্বা অমা–নৎত্রগা অমদগী হেক–হেক শিগনবা কাংবুগীসু, মীরোনবদগীনা অঙাং পোক্লবা মতুং ফাওবদা অখঙ–অহৈ ডাক্তরশীংগা তানবীদুনা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং অমদি লায়েং কয়া চৎথবীনবা মতম চানা হোৎনবিগদবনী। অঙাং হেক পোকপগা অঙাংগী মরমদা খঙ–হৈরবা “Neonatologist” মীওইশীংগা কুপ্পা তানবিগদবনী। অশুম তৌরবতদা অঙাংবু শিবদগী কনবা ঙমগনী।

মমীৎতা মচা উনিংবগী ৱাখলদা, পোৎথাফম খঙনদ্রবা ইমুংশিংগী নুপী–নুপাশিংদী, মথক্তা পঞ্জখ্রিবা কয়াশিং অসিদা মীৎয়েং চিংশিন্নবীদুনা চৎথবা য়াবা লায়েং/চেকশিন থৌরাং কয়া অখঙ–অহৈশীংগা তানরগা পাংথোকপিগদবনী। মদুম তৌরবতদা অঙাং লৈতবগী অৱাবা কয়া কোকপা, শোয়দনা ঙমগনী।

## নুপীগী থাগী খোঙকাপ খমখিবদা তৌগদবা থৌরাং

*ডা. গীতা বরুৱা নাথ*

চৎলিবা চহি চা অসিগী হৌরকপদা চাংচৎতা নুপীশিংগী পুন্সি শাংবগী চাং অসি চহি ৫৫ ওইরম্মী, মরম অদুনা নুপী অমনা পুন্সি লোইবগা থাগী খোংকাপ খমখিবগা মতম অমত্তদা থোকলম্মী। ঙসিদি নুপী অমগী পুন্সি শাংবগী মতম অসি চহি ৮০ ওইরে। নুপী ওইবীশিংনা হরাওফম থোকই! থাগী খোঙকাপ খমখিবা অসি অঙাং পোকপা মতম লোইখিবনি, পুন্সি লোইবা অমসুং পুন্সিগী কান্নবা মতম লোইবা নত্তে। নহাক্কী পুন্সিসু থাগী খোঙকাপ খমবগা লোয়ননা নৌহৌননা লাকপা য়াই অমসুং মসিগী মতুংদা চহি ৩০ দি অনৌবা নিংতম্বা পুন্সি ওইবা য়াই (লৈতাবা ইমুং মনুং, থাগী খোঙকাপ লাকপা অমসুং মীরোনবগী অসিনচিংবা কয়া খল্লুদনা)। নহাক্লা মতম অসিবু মহৌশাগী থৌদোকনি হায়না খনগদবনি অমসুং অঙাং পোক্তবা মতমনা পোকপা য়াবা মতমদগী শক্তি লৈবা পুন্সি ওইহনগদবনি।

**থাগী খোঙকাপ খমখ্রবা মতুংদা হকচাং ফবা, অনা অয়েক লৈতবা পুন্সি করন্না ওইহনগনি?**

**১. পুন্সিদা ৱাখল নুংঙাইনা হিংবা**

পুন্সিদা ৱাখল নুংঙাইনা হিংবা হায়বগী অর্থদি থাগী খোঙকাপ খমখিবা অসি মহৌশাগী ওইবা নহাক্কী পুন্সি ময়াই চল্লকপদা থোকপা থৌদোক্ অমনি হায়বসিনি। নহাক্লা থাগী খোঙকাপ খমখিবগী তুংদা থোক্লকপা অনা অয়েকশিং মহৌশাগী ওইবা মওংদা নত্রগা ডাক্তরগী মতেং লৌদুনা ঙম্বা মখৈ ঙাকথোক্লবা পুক্লিংদা চপ য়ুংনা লেপকদবনি। হৌজিক্তি, নহাক্কী ইমুং–মনুংসু লৈতানা লৈরে, নহাক্লা থাগী খোঙকাপ লাকপগী তারিকসু থা খুদিংগী নিংশিংদ্রবসু য়ারে নত্রগা থাগী খোঙকাপ লাকপগী খুদোংচাদবগী থা খুদিংগী খল্লুদ্রবসু য়ারে, মরম অদুনা নহাক্লা অনৌবা নিংতম্বা পুন্সি অমা ফংদুনা হেন্না ফবা পুন্সি অমা লেন্ননবা অমসুং নহাক্লা তৌনিংবা থবক পাংথোকপা য়ারে।

**২. নুপী য়েংবা ডাক্তরদগী লৌগদবা পাউতাক।**

থাগী খোঙকাপ খমবগী মতম হৌরকপগা ইরোইননা নুপী য়েংবা ডাক্তরগা থম্মোয় শেংনা মমুৎ তানা তান্নগদবনি। নহাক্কী ডাক্তরনা নিংথিনা লায়েংবীবা অমসুং তঙাইফদবা পাউতাকশিং অদুনা নহাকপু য়ান্না চাওনা তেংবাংগনি। করিগুম্বদা ডাক্তরগা নহাক্কী অনাবা অমসুং খুদোংচাদবশিংগী মরমদা চুন্নগী ৱারি ৱাতাই শাবা অদুনসু নহাক পুক্লিং পোত্থাবা ফংগনি। হায়রিবা তাঞ্জা অসিদা নহাক্লা থাজবা মরুপ মপাং দরকার লৈগনি অমসুং মখোয়দগী ঈ–পাউ অমসুং পাওতাকশিং খোমজিনগদবনি– অসুন্না অনাবগা ডাক্তরগসু অফবা মরুপ–মপাং ওইনা তিন্নগনি।

**৩. নহাক্কী পুন্সি মরেলবু চেকশিন্না থম্বা**– হকচাং ফবা পুন্সি মরেল লেল্লু অফবা পুন্সি মরেল লেনবনা হকচাং ফননবগী লম্বীদা অচৌবা কান্নবা পী। হকচাং লুম্বা হেনগৎহন্দবা অমসুং ৱাখল ৱাই চিনবা লৈতনবা শিল লাংবা মখোয়শিং অসি পুন্সি মরেলগা মরি লৈনবা অমসুং হকচাংদা খ্বাইদগী কান্নবা লম্বীশিংনি।

**(অ) হকচাংদা কান্নবা চিঞ্জাক চাগদবনি**

করিগুম্বা চিঞ্জাক অমখকতনা হকচাং ফননবগী মচাক শুনা ফংহনবা ঙমদে। মচল শুবা চিঞ্জাক হায়বসি চিঞ্জাক ময়ামগী অপূনবনি মসিনা হকচাংদা মচিগী শরুক পীগনি। নোংমদা শেম অমা চারবদি ডাক্তরগী দরকার ওইদে হায়বা য়ারোই নৎত্রগা অয়ুক খুদিংগী অলমোন উঁহে ১০ চারবদি নহাক্কী নিংশিংবগী শক্তি কনখৎহনগনি হায়বসু য়াদে।

চাওখৎপা ৱাৎলিবা লৈবাকশিংদদি চিঞ্জাক মরাং কায়না লৈতবনা অমসুং মীশিংনা য়ামমনবনা হকচাং ফত্তবগী মরম অমদি চিঞ্জাক্তা য়ানশিনবা চাবদগীনি।

মচল শুবা চরা অমদা য়াওফম থোকপা মচিগী শরুক খুদম ওইনা প্রোটিন, চনাংগী শরুক, মহাও, ভিটামিন, মিনরেল অমসুং ঈশিংনি। থাগী খোঙকাপ খমলমদাই মনুংদা অমসুং খমখ্রবা মতুংদা নুপীশিংনা মচি ওইবা চিঞ্জাক্কা লোয়ননা মহাওগী শরুক য়ামদবা চিঞ্জাক, শঙ্গোম অমসুং শঙ্গোমগী পোত্থোকশিং অসি দরকার ওইবা কেলসিয়মগী শরুক ফংননবা চাগদবনি।

**প্রোটিন** – হকচাংগী কয়াৎশিং অমুক হন্না শেমগৎপা অমসুং অনৌবা শাগৎপা ঐখোয়গী হকচাংদা মচিগী শরুক দরকার লৈ।

**কার্বো হাইদ্রেদ** – চনাংগী শরুকশিং অসি খ্বাইদগী হেন্না হোংবা অমসুং হকচাংগী মৈশা থোকহনবা পোৎশকনি মসিনা ঐখোয়গী থবক ইনখাং শুননবগী পাঙ্গল পী। ঐখোয়গী মরুওইবা হকচাংগী কয়াৎশিং খুদম ওইনা ব্রেইন (থোপ), থম্মোয় অমসুং ফিরাকনা মথৌ নিংথিনা পাংথোকপদা চিনিগী শরুক চংঙি।

**ফেটস**– মহাওগী শরুকশিং অসি ঐখোয়গী হকচাংগী চংদবা য়াদ্রবা মচাকনি। বেঙ্কতা পৈশা তুংশিনবা লৌথোকনিংবা মতমদা লৌথোকপা অসিগুন্না মথৌ তৌই। মহাওগী শরুকশিং অসি খ্বাইদগী হেন্না পৈশা চংবা অমসুং চিঞ্জাক্তা তুংশিনবা পোৎশকনি মসিনা প্রোটিন অমসুং চনাংগী শরুক্তগী শরুক অনিগী মশুং হেন্না মৈশা পী। শাদগী ফংবা মহাওশিং খুদম ওইনা শঙ্গোম মপান অমসুং ঘীদা এ, ডি, ই অমসুং কে য়াওই অদুগা মনা মশিংদগী ফংবা থাওদা ভিটামিন এ অমসুং ডি য়াওদে। মহাওগী শরুক অসিদা দরকার ওইবা ফেটি এসিদ য়াওই মসিনা হকচাং শেমগৎনবা অমসুং মচি ওইবা পোৎশক ফংঙি। মনা মশিংগী থাওদা দরকার ওইবা ফেটি এসিদশিং য়াওই, ঘী, শঙ্গোম মপান অমসুং শাশিংগী মহাওদা দরকার ওইবা ফেটি এসিদকি চাং হন্থে। মরম অসিনা মচিগী শরুক চাং চপ চানা ফংননবা মনা মশিংগী থাওদগী কেলোরি খরসু ফংননবা হোৎনবা দরকার ওই।

**ভিটামিনশিং**– ভিটামিনশিং অসি পুন্সিদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশকনি। প্রোটিন, ফেট অমসুং কার্বো হাইদ্রেদগুন্না ভিটামিনিশিংনা পাঙ্গল নৎত্রগা হকচাংগী কয়াৎ শাগৎপদা য়াওদে। মখোয়শিং অসিনা হকচাংগী মথৌশিং অসি চাং নাইনা পাংথোকহল্লি অমসুং হকচাংনা মচিগী শরুকশিং অসি নিংথিনা শিজিন্নবা ঙমহল্লি। ভিটামিন বি–কমপ্লেক্স (তোঙান তোঙানবা ভিটামিন বি গ্রুপ) ভিটামিন সি, ভিটামনি এ, ডি, ই, কে শিংনা মচল শুবা চিঞ্জাক্তা য়াওই। নহাক্লা নুমিৎ খুদিংগী মচলশুবা চিঞ্জাক চাদ্রবদি মদু মেনখৎনবগীদমক্তা ভিটামিন চাগদবনি। থাগী খোঙকাপ খমখ্রবা মতুংদা কনাগুম্বী নুপীদা ভিটামিন–ই ৱাৎপদগী মায় শাবা অমসুং খোঙ খূৎতা লেংবা য়াদবা (শজিং হৌবা) হন্থহল্লি।

*...মখা মথং ইরাই নুমিৎতা*

***কর্টেসিঃ এম ভি ঐচ এ***